ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

# এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর জয়সঙ্করনা য়ুএইগী ফোরেন মিনিষ্টরগা রিজনেল অমসুং গ্লোবেল ইস্যুশিং খন্ন-নৈনখ্রে



অবু দাবি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অবু দাবিদা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ই) গী মহাক্কী লেঙমান্নবা সেখ অব্দুলা জাইন অল নাহিয়নগা উন্নদুনা রিজনেল অমসুং গ্লোবেল ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

জয়সঙ্করনা ত্বিট অমদা হায়, লৈবাক অনীগী মরক্তা রিজনেল অমসুং গ্লোবেল ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নরি। নাকল অনীনা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি।

য়ু এ ইগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সনা থাদোরকপা প্রেস রিলিজ অমগী মতুং ইন্না জয়সঙ্কর য়ু এ ইগী মহাক্কী লেঙমান্নবগা লৈবাক অনীগী তোঙান তোঙানবা লমশিংগী মরীশিং অমদি নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা কম্প্রিহেন্সিব ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকী মরী হেন্না চেৎশিলহনবগী ৱাফম খন্ন-নৈনখি।

মীফম অদুদা মিনিষ্টর অনীনা হেল্ঠ, টেক্নোলোজি, দিজিটেলাইজেসন, ইকনোমি অমসুং ট্রেদ য়াওনা সেক্তর খুদিংমক্তা কো ওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম খন্নখি। লোয়নননা নাকল অনীনা রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্টশিংগা মরী লৈনবা ইস্যু কয়াসু খন্নখি।

য়ুএইগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সকী ষ্টেটমেন্টগী মতুং ইন্না য়ু এ ইগী টোপ দিপ্লোমেট সেখ অব্দুলানা ইন্দিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা জয়সঙ্করবু অবু দাবিদা ৱার্কিং দিন্নর অমা লাংদুনা তরাম্না ওকখি। মদুদা মখোয়না হিরম কয়াদা নাকল অনীগী কো ওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম খন্নখি। নাকল অনীনা খন্নখিবা পুন্নমক কুমজা ২০২২ দা খুৎয়েক পীনখিবা কম্প্রিহেন্সিব ইকনোমিক পার্টনরশিপতা য়ুস্ফম ওইখি। লুচিংবা অনীনা জি ২০ গী প্রসিদেন্সি পায়রিঙৈদা লৈগদবা ইন্দিয়াগী মীৎয়েং লোয়নননা গেষ্ট লৈবাক অমা ওইনা য়ু এ ইসু শরুক য়াবগী ৱাফমসু খন্নখি। সেখ অব্দুলাগী মায়কৈদগী ইন্দিয়ানা জি ২০ গী প্রসিদেন্সি পায়বা মহাক্কী লৈবাক্লা শৌগৎলি হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

অব্দুলানা মখা তারদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ, হেল্ঠ, এগ্রিকলচর, এদুকেসন অমদি ৱিমেন্স ইম্পৱারমেন্ট য়াওবা মরু ওইবা লমশিংদা উবা ফঙলিবা ইন্দিয়াগী এচিবমেন্টশিংবু থাগৎখি। ইন্দিয়ানা জি ২০ গী প্রসিদেন্সি মায় পাক্লা পায়বা ঙম্বা ওইসনু হায়বা ৱাফমসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

দিপ্লোমেট অনীনা তোঙান তোঙানবা লেভেলশিংদা সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট লাকহন্নবা হোৎনরিবশিংবু সপোর্ট পীবদা গ্রুপ অসিনা লৌরিবা মরু ওইবা থৌদাংশিং খন্নবগা লোয়নননা লৈবাক অনীগী প্রাইভেট সেক্তর পার্টিসিপেসনগী ৱাফমসু রিভিয়ু তৌখি। মীফম অদুদা ইকনোমিক গ্রোঠ ফগৎহন্নবা ইন্টরনেসনেল কো ওপরেসন হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম সেখ অব্দুলানা ফোঙদোকখি। য়ু এ ইনা লৈবাক অনীগী চাওখৎ খোঙথাংশিংগী পান্দমশিং ফঙনবা হোৎনবদা প্রাইভেট সেক্তরসু মরু ওইবা থৌদাং লৌহনবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

জয়সঙ্কর অমসুং সেখ অব্দুলানা আই টু য়ু টু গ্রুপ অমসুং ব্রিক্স অমগী সাংহাই কো ওপরেসন ওর্গনাইজেসন মনুংদা তুংদা অমগা অমগা কো ওপরেসন পীনবগী খুদোংচাবশিং য়াওনা মল্টিলেটরেল গ্রুপশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন হেনগৎহন্নবগী পাম্বৈশিংসু খন্ন-নৈনখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসিনা সস্টেনেবল গ্রোঠ এচিব তৌনবা মালেম্না হোৎনরিবশিংদা মতেং শোয়দনা পাওগনি হায়না সেখ অব্দুলানা ফোঙদোকখি।

# য়ুকেনা রসিয়া অমসুং ইরানগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবশিং লাউথোকখ্রে



লন্দন, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
য়ুকেনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়াগী সেনিয়র মিলিটরি কম্মান্দরশিং অমদি য়ুক্রেনদা টার্গেট তৌবদা শীজিন্নবা দ্রোনশিং পুথোকপা অমদি সপ্লাই তৌবদা চেন্নবা ইরানিয়নশিংগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবশিং লাউথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা বৃটিস গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিট প্রোগ্রামিং অমসুং ক্রুজ মিসাইল হেন্দলিংগী চার্জ পায়রিবা মেজর জেনরেল রোবার্ট বরানোব য়াওনা রসিয়ন মিলিটরিগী টোপ ব্রাজ ১২ গী এসেটশিং ফ্রিজ তৌবগা লোয়নননা মখোয়না চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈরগনি।

ফোরন কম্মনৱেল্ঠ এন্দ দিভলপমেন্ট ওফিস (এফ সি দি ও) না ফোঙদোকখিবদা রসিয়ানা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা লান্দাবা হৌবদগী মরু ওইনা মিসাইল অমসুং আর্টিল্লরি ষ্ট্রাইকশিংনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেনগী মীচম লিশিং তরুক হেন্না শিখ্রে। অতম্মনা সিভিলিয়নশিং অমদি সিভিলিয়ন ওবজেক্টশিংগী মায়োক্তা এটেক তৌবা হায়বসি ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটেরিয়ন লো খোঙ্গাওনবগী শাথিরবা থৌওংশিংনি।

অসিগুম্বা থৌওংশিংদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা মখোয়না চত্থখিবা থৌওংশিং অদুগী থৌদাং য়াহনগদবনি। ইরাননা শাবা রসিয়াদা সপ্লাই তৌখিবা দ্রোনশিংনা অসিগুম্বা এটেকশিংদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না এফ সি দি ওনা ফোঙদোকখি।

ফোরেন সেক্রটরি জেমস ক্লেবর্লিনা হায়খি, হৌখিবা থা খরা অসিদা মীচম মীয়াম্না পাক্তক্লনা অমদি লেপ্তনা প্রোটেষ্ট চত্থবদগী চৈথেং চাওনা নঙলবা টেহরানগী রেজিম্না মীয়ামগী অশাওবদগী হিংনবা হোৎনবদা মোস্কোগা ফত্তবা দিল কয়া য়ানখি।

পনবা য়াবদি, রসিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা মপুং ফারবা দিফেন্স পার্টনরশিপ অমা শেমখিবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা খোঙথাং অদুনা য়ুক্রেন, ইরানগী য়ুমথংনবশিং অমদি মালেমদা শোকহনগনি হায়খিবনি।

খ্বাইদগী নৌবা য়ুকেগী অথিংবশিং অদুনা য়ুক্রেনদা লান্দাবদা রসিয়ানা শীজিন্নখিবা দ্রোনশিংগী ইঞ্জিনশিং শারিবা কম্পেনি অদুগী মেনেজিং দিরেক্তর য়াওনা ইরানিয়ন মরি টার্গেট তৌখি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ক্লেবর্লিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিনবু য়ুমথংনবগী মায়োক্তা ১৯ শুবা চহী চাদা তৌখিবগা মান্নবা লম লৌশিনখিবগী লান চথৈ হায়না মরাল শীখি। মহাক্কী মতুং ইন্না পুটিনগী পান্দমদি অকনবনা অচুম্বা শকপগী মতম অদুবু অমুক হঞ্জিনবা অসিনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বিন্সলেন্দ ষ্টেটতা নোংমৈ কাপ্পদা পুলিস অনী য়াওনা মীওই তরুক শিখ্রে



ব্রিসবেন, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বিন্সলেন্দ ষ্টেটতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা পুলিস ওফিসর অনী য়াওনা মীওই তরুক শিখিবগা লোয়নননা হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি হায়না পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলদা ৱেষ্টর্ন দাউন্সতা থোকখিবনি।

পুলিস ওফিসর মরিনা মীওই অমা মাঙখিবগী ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈননা ৱেস্থিলাগী ৱেন্স রোদতা লৈবা প্রোপর্টি অমা য়েংশিন্নবা হোৎনখি। মখোয়না প্রোপর্টি অদু য়ৌশিল্লকপদা খুৎলায় পায়বা মীওই কাঙবু অমনা পুলিস ওফিসার অনী মাথিয়ু আর্নোল্ড (২৬) অমসুং রাসেল মেক্রো (২৯) বু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। খঙহৌদনা চত্থরকখিবা নোংমৈগী এটেক অদুদা মীচম কয়াসু শিখি।

নোংমৈ কাপ্পা অদুদা অশোক অপন নঙলবা পুলিস ওফিসর অনী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মখোয়গী ফিভম নুংশা থীনিংঙাই ওইদে হায়না হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখি। ওফেন্দরশিংনি হায়রিবা নুপা অনী অমসুং নুপী অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০.৩০ গী মতুংদা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা নোংমৈনা পান্দুনা শিখি হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুগী অকোয়বদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়নননা প্রোপর্টি অদুদা ক্রাইম সিননি হায়না থেৎতুনা মফম অদুদা মী চঙবা থিংখি। নেসনেল ব্রোদকাষ্টর এ বি সি ন্যুজকী মতুং ইন্না মখা তানা নোটিস থোক্লিবা ফাওবা লোকেল মীওইশিং য়ুমদগী থোক্তনবা খঙহনখি। থৌদোক থোকফম অদুদা এম্বুলেন্স কয়াসু কৌখি।

পুলিস কম্মিস্নার কাট্রিনা কেরোলনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসি হৌখিবা মতম খরা অসিদা ক্বিন্সলেন পুলিস সার্ভিসনা থেংনবা শুপ্পগী থৌদোক অমদা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিরিবা থৌদোক্নি। মসিনা পুলিসকী থবক্তা তম্বা ঙমদবা খুদোংথীবা কয়া লৈ হায়বসি উৎলি। ক্বিন্সলেন্স পুলিস য়ুনিয়নগী জেনরেল প্রসিদেন্ট ইয়ান লিভর্সনা মীহাৎ অদু য়াম্না তমথীবা মওংদা অতম্মনা চত্থখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না পুলিসনা মাঙখিবা মীওই অমগা মরী লৈননা লাকপা কোল অমদা রেস্পোন্দ তৌখিবনি। ঐখোয়না প্রোপর্টি অদুদা হেক চঙশিনখিবগা মথোঙ মরম খঙদনা লেপ্পা নাইদনা নোংমৈ কাপথোরকখি। মখোয়দা খনবা নক্তগা খুৎ হনবগী খুদোংচাবা ফাওবা লৈখিদে।

# কাবুলগী হোটেল এটেক: চাইনানা টেররিজমগী মওং খুদিংমক ওপোজ তৌই

বৈজিং, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
চাইনিজ বিজিনেসমেনশিংনা পাম্নবা কাবুলদা লৈবা হোটেল অমদা শাথিরবা এটেক অমা চত্থখিবা থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি হায়না চাইনানা থৌদোক অদুদা রিএক্ট তৌরদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেনবিননা কাবুলগী এটেক অদুগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবদা অসিগুম্বা টেরর এটেক অসি কন্দেম তৌনিংঙাইনি। মসিনা ঐখোয়বু থম্মোয় কায়হল্লে। টেররিজমগী মওং খুদিংমক ঐখোয়না ওপোজ তৌই।

এটেক অদুদা মথ্বায় থাখিবা অফঘান মিলিটরি পুলিস পর্সনেলশিং অদুগীদমক্তা ঐখোয়না অৱাবা ফোঙদোক্লি অমসুং থৌদোক অদুদা অশোক অপন নঙখ্রবশিং অদুদসু ঐখোয়না মীনুংশিগী মীৎয়েং উৎলি।

পনবা য়াবদি, নিংথৌকাবা নুমিত্তা গনমেনশিংনা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈবা হোটেল অদুদা এটেক তৌখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখিবনি। থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা হোটেল মনুংদা পোকখায়বা অমদি নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাই হায়না ফোঙদোক্লখি। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা মখোয়গী গ্রুপনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অসিনা হায়, ঐখোয়না খঙবদা টেররিষ্ট এটেক অদুদা চাইনিজ সিটিজন মঙা শোকখি অমসুং অফঘান মিলিটরি অমদি পুলিসকী মীওই কয়া শিখি।

ৱেংবিননা মখা তারদুনা হায়, চাইনিজ এম্বেসিনা অফঘান ইন্টরিম গভর্ণমেন্টদা অশোকপশিং কন্ননবা, থৌদোক অদুবু মপুং ফানা থিজিন্নবা, টেররিষ্টশিং অথুবা ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং থুনা লৌখৎপগা লোয়নননা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা চাইনিজ সিটিজনশিংবু ঙাক শেন্নবগী অহেনবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

চাইনিজ এম্বেসিগী পর্সনেলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এটেক মফম অদুদা চঙশিন্দুনা রেস্ক্যু অমসুং ট্রিটমেন্টগী থবকশিংদা মতেং পাঙখি। অফঘান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চাইনিজ সিটিজনশিং কন্নবা হোৎনখিবশিং অদু বৈজিংনা থাগৎলি হায়নসু ৱাংনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মহাক্লা চাইনিজ নেসনেলশিংদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী এদভাইসতি মখোয়বু য়ারিবমখৈ মখোয়বু অফঘানিষ্টানদগী হোন্দোকপা অসিনি হায়না নীংশিংখি।

# ইরানন এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা অনীশুবা মীহাৎ পাঙথোকখ্রে



টেহরান, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
হন্দক্তা ইরানদা থোকখিবা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা অনীশুবা মীহাৎ পাঙথোক্লদুনা শেন্থবা মপুগী মায়োক্তা ইরাং হৌবগী মরাল শীদুনা কনভিক্সন পীনবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা নুপা অমা মশাদ সিটিদা মীয়াম মমাঙদা মঙকশমদা থৌরি থুদুনা হাৎখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

জুদিসরিগী মতুং ইন্না মজিদ্রেজা রনাবার্দ কৌবা মীওই অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা হেঙ তৌখি। মহাক ফাবগা লোয়নননা পেরা মিলিটরি বাসিস রেজিষ্টেন্স ফোর্সকী মীওই অনী থাংনা থিল্লগা হাৎলবা মতুং নুমিৎ ২৩ নি লৈরগা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা হাৎখিবনি।

বিবিসিগী রিপোর্টনা হায়রি, মীওই অদুগী মমা মীহাৎ অদুগী মতাংদা হান্না পাউ পীবা তৌখিদে। মহাক শিরে হায়বসি ওথোরিটিশিংনা মহাকপু হেঙ তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংদা পাউ পীদুনা খঙহনখি। মরু ওইনা লৈখিদ্রবা অসিগী ইমুংদা সিমিত্রি অমগী মিং অমদি প্লোট নম্বর অমা পীরকখি। খুদক্তা মখোয়না চঙশিল্লুবা মতমদা সেক্যুরিটি এজেন্টশিংনা অশিবা হকচাং অদু ফুমজিল্লমখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ত্বিটর পোষ্টতা ওপোজিসন এক্তিভিষ্ট কল্লেক্টিব '১৫০০ টাসবির' না হায়খি, রনাবার্দকী ইমুংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা ওফিসল অমনা টেলিফোন তৌদুনা ঐখোয়না নহাক্কী নচানুপাদু হাৎলে অদুগা মহাক্কী হকচাং অদু ভেহেস-ঈ রেজা সিমিত্রিদা ফুমখ্রে হায়রকখি।

মখোয়না রনাবার্দকী মমাদা মহাকপু ভিজিট তৌবগী অয়াবা পীখি অমসুং মহাকপু হাৎপগী মতাংদদি পনখিদে। মহাক্কী মমা, মচানুপা য়াম্না থুনা থাদোরক্লগনি হায়বগী ৱাখলগা লোয়নননা ময়ুমদগী চৎখি। ঙসি অয়ুক (নিংথৌকাবা) হায়বদি মহাক্কী মচানুপাবু হাৎলিবশিং অদুনা মহাক্কী অশিবা হকচাং নাইতোম ওইনা ফুন্নিঙৈ মতমদা থুংলখি হায়না কল্লেক্টিবনা অতোপ্পা ত্বিট অমদা পনখি।

জুদিসরিগী মির্জান ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, মদুদি মসাদি সিটিজন কাঙবু অমগী মমাঙদা রনাবার্দপু হেঙ তৌখি অমসুং মীহাৎ অদুবু উৎপা ফোটোগ্রাফ কয়া থাগৎখি।

বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না রনাবার্দতা মহাক্কী ৱায়েলগীদমক্তা মহাক্কী অপাম্বা উকিল অমা খঞ্জনবগী খুদোংচাবা পীখিদে। মঙোন্দা শিন্নখিবা উকিল অদুনা দিফেন্সকী ওইবা থৌওং অমত্তা চত্থখিবা লৈতে।

হিজাব মওং মরিল তানা শীজিন্নদে হায়বগী মরালদা সেপ্টেম্বর ১৩ দা মোরেল্লিটি পুলিসনা ফাখিবা মশাগী চহী ২২ শুরবী মহাশা অমিনি কৌবী ইরানিয়ন নুপী অমা কষ্টদিদা শিখিবদগী নুপীশিংনা লুচিংদুনা লৈবাক শীন থুংনা ইরানগী ক্লারিকেল ইষ্টাব্লিসমেন্টগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চত্থখিবনি।

# লাম্মৈ চাকপদা লম হেক্তর ১৩,০০০ মাঙ তাকখ্রে

সান্টিয়াগো, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
চহী অসিদা উমংদা থোকপা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক ১৫৮৭ না মরম ওইরগা চিলিগী লম হেক্তর ১৩,০০০ হেন্না মাঙ তাকখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ইষ্টিফান বলেঞ্জুয়েলনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, মফম কয়াদা লাম্মৈ চাক্লিবদু মমাঙগী সিজনগা চাংদম্নবদা চাদা ৯ হন্থরবসু হান্নদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইখি। হন্দক্কী লাম্মৈশিং অদুনা লম হেক্তর চাদা ৪০ হেন্না মাঙহন তাকহনখি।

উমংদা লাম্মৈ চাকপা থেংননবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক শীন থুংনা ফোরেষ্ট্রি বৃগেট ২৪০ লিংনবগীদমক পেসো বিলিয়ন ৮২ (দোল্লর মিলিয়ন ৯৪) ইনভেষ্ট তৌখ্রে। স্পেন, ফ্রান্স অমসুং য়ুএস মরু ওইনা য়ুএসকী নোংচুপ থংবা পোষ্টতা লৈবা কালির্ফোনিয়াদা থোকখিবগুম্না ক্লাইমেট চেঞ্জনা চিলিদা উমংদা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং হান্নদগী হেন্না শাথিখি।

# ইনর্জি সেক্তরগীদমক য়ুরো মিলিয়ন ৮০০ কী মতেং মথৌ তাই: জেলেন্সকি



কিভ, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
রসিয়ানা বোম অমদি মিসাইল এটেক কয়া চত্থদুনা য়ুক্রেনগী সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা চাওনা শোকহল্লিবসি য়েংলগা মহাক্কী লৈবাক্লা মখা তানা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবদা য়ুরো মিলিয়ন ৮০০ লোমগী মতেং মথৌ তাগনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনদা লান্দাবদা লানফম কয়াদা ওইহন্নিংবা ফিভমশিং ওইহনবা ঙল্লক্তবদগী মোস্কোনা হৌখিবা ওক্তোবরদা য়ুক্রেনগী ইনর্জি নেটৱার্কতা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থবা হৌখিবদগী মখোয়গী টেক্টিসতা অহোংবা লাকখি।

সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচর মরু ওইনা ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা পাক্তক্লনা এটেক তৌখিবা অসিনা মরম ওইদুনা নিংথম থা চঙলক্লবা মতম অসিদা য়ুক্রেনগী মীওই মিলিয়ন কয়া অইংবা অমসুং অমম্বা মায়োক্লহল্লে হায়রি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবা মতুং থা মাপনলোম লৈরগা য়ুক্রেনননা লান্দারক্লিবা ফোর্সশিংগী মায়োক্তা কাউন্টর ওফেন্সিব চত্থদুনা রসিয়ন ফোর্সশিং মনিং হলহনবগা লোয়নননা মোস্কোনা পায়শিল্লম্বা মফম কয়া য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা হন্দোকখিবনি।

য়ুক্রেনগী মাঙ তাক্লবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর নৌনা শেমজিন শাজিনবদা চঙগদবা মেটরিএল অমদি শেল লাংখৎনবগী মওংদা পেরিসতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্সতা জেলেন্সকিনা য়ুরো মিলিয়ন ৮০০ কী মতেং অসি নীখিবনি। কনফরেন্স অদু ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোননা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

ভিদিও লিঙ্ককী খুথাংদা পেরিসকী মীটিং অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা জেলেন্সকিনা হায়খি, মহাক্লা হায়রিবা শেনফম অদু তশেংনমক য়াম্না য়াম্বা শেনফমনি। তৌইগুম্বসুং মসিদা চঙগদবা শেনফম অদু লৈবাক পুম্বা পুংমম মম্বদগী মাঙগদৌরিবশিং অদুদগী য়াম্না হন্থগনি।

মহাক্লা হায়জরিবদুগী মতুং ইন্না লৌফম থোকপা ৱারেপশিং থুনা লৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি। গেদরিং অদুদা জেলেন্সকিনা হায়, মাঙ তাক্লবা হাই-ভোলটেজ পৱার লাইনশিং শেমজিন্নবগীদমক্তা য়ুক্রেননা ট্রান্সফোর্মরশিং অমসুং ইক্বিপমেন্টগা লোয়নননা জেনরেটরশিং অমদি গ্যাস টর্বাইনশিং মথৌ তাই। টেরর এটেকশিং চত্থদুনা ঐখোয়গী পৱার প্লান্টশিং মাঙ তাকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না হান্না থাজরম্বগী ওন্ন-তৈনবদা নিংথম থাগী মতমদা গ্যাস হেন্না শীজিন্নবা মথৌ তারগনি হায়না জেলেন্সকিনা মখা তাখি।

# পেন্দবা হেনগৎলকপদগী কানাদাদা হোংবা পাম্বা চাইনিজ মশিং য়ামখৎলক্লে

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
চাইনা থাদোক্লগা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা কানাদাদা ময়ুম হোংবা য়ানবা এপ্লাই তৌবা চাইনিজ মশিং জুলাই-সেপ্টেম্বর কার্টর মনুংদা চাদা ১৫ হেনগৎলকখি হায়না আরএএফকী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা চাইনাদা মরু ওইনা অকনবা এন্টি-ভাইরস রেষ্ট্রিক্সন কয়াগী মখাদা চহী অহুম্লোম অৱাবা কয়া মায়োক্লরকপদগী লৈবাক অসিগী মীয়াম পাক্তক্লনা পেন্নদ্রে হায়বসি উৎলি। চাইনিজ ওথোরিটিশিংগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিংদা খুরৌ থাংহনবগা লোয়নননা ইন্দিভিজুএল ফ্রিদম কন্ট্রোল তৌশিল্লকখিবা অথিংবশিংবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়ানিংদবগা লোয়নননা মখোয়না মরৈবাক থাদোক্তুনা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা কানাদাদা হোংননবগী ৱারেপ অসি লৌনরকপনি হায়রি।

অহুমশুবা কার্টর মনুংদা কানাদাগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্মিগ্রেসন এন্দ সিটিজনশিপতা পার্মেনেন্ট রেসিদেন্সিগীদমক্তা চাইনিজ সিটিজনশিংদগী এপ্লিকেসন ৯৯২৫ লাকখি। মদু কুমজা ২০২১ গী মান্নবা কার্টরদগী চাদা ১৫ হেল্লবনি। অয়াম্বনা মিদ্দল-ক্লাস ফেমিলিশিং অমসুং শেল য়াম্না তানবা ঙম্বা কোর্পোরেট প্রোফেস্নেলশিং ওইরিবা মীওইশিং অদুনা চাইনা থাদোক্তুনা কানাদাদা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা হোংদুনা লৈননবা ৱারেপ লৌনরক্লিবা অদু মীয়াম্না পাক্তক্লনা চেন্থোক্লরকপগী ফেনোমেনননি হায়না লৌনরি।

চহী তরুক্কী মমাঙদা মহৈরোয় অমা ওইনা কানাদাদা লাকখিবা লিন লাইতোংনা হায়খি, মদুদি ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা মহাক্লা ঙক্তে। চাইনাগী বিজিনেস অমসুং পোলিটিকেল এলিট লোয়নননা মিদ্দল ক্লাস অপুম্বদা ওথোরিটিশিংবু পেন্দবগী ৱাখল পোক্লরে। মসি মরু ওইনা সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি পাম্লকপগী ৱাফম্নি। মসিদা মপান লৈবাকশিংদা লৈরগা পুন্সি মহিং হেন্না লুশিল্লক্কনি হায়বগী ৱাফম অসি থোইনা মরু ওইরক্রে। মীয়াম্না য়ামদ্রবদা সেফ ওইনা লৈবা পাম্লে। চাইনানা দিসেম্বর ৭ তা পোইন্ট তরা লাউথোক্তুনা জিরো-কোভিদকী অথিংবশিং খরা মখৈ কোমথোক্লগনি হায়বা গভর্ণমেন্টগী ৱাফম অসিনা মীয়ামগী ৱাখলদা চেল্লিবা মপানদা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা ময়ুম হোংবগী ৱাখলদা অহোংবা অমত্তা লাকহনবা ঙমখিদে।

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯔꯨꯔꯦꯜ ꯕꯦꯉ꯭ꯛ
MANIPUR RURAL BANK
H.O. Keishampat Imphal

পোজেসন নোটিস

(ইম্মুবেবল প্রোপর্টিগী) রুল-৮ (১)

মখাদা খুৎয়েক পীরিবা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী ওথোরাইজ ওফিসার অসিনা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩ (২) অমসুং সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস ২০০২ গী রুল (৩) গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাগী বোরোৱরশিং অসিদা দিমান্দ নোটিস (শিং) ইস্যু তৌদুনা নোটিস (শিং) অদুদা পল্লিবা শেনফম নোটিস (শিং) গী তারিক্তগী পারগা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা পীথোক্লবা খঙহনখি।

বোরোৱর (শিং) না শিংফম থোকফম শেনফম শিংবা ঙমদবদগী মখাদা খুৎয়েক পীরিবা অসিনা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) অমসুং মথক্কী রুলশিং অসিগী রুল (৮) গী মখাদা মঙোন্দা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি মখোয়গী মমিংশিংগা চান্ননা মখাদা পল্লিবা তারিক্তা লৌশিল্লে হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমসুং মীয়ামদা নোটিস অসিনা খঙহল্লি।

প্রোপর্টিশিং অসিবু দিল তৌদনবা অমদি প্রোপর্টিশিং অসিগী দিল্লিং চত্থবা তারবসু মখাদা পল্লিবা শেনফম (শিং) অমসুং ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনবা প্রোপর্টিগী শরুকশিং অদুগী ওইনদি মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী অয়াবা লৌগদবনি হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমদি মীয়ামদা খঙহল্লি।

| সে নং. | বোরোৱরগী মিং, একাউন্ট নম্বর অমসুং ব্রাঞ্চ | দিমান্দ / এস এ আর এফ এ ই এস আইগী নোটিসকী তারিখ | দিমান্দ নোটিসতা য়াওবা ক্লেম এমাউন্ট | প্রোপর্টিগী মওং মতৌ |
|---|---|---|---|---|
| ০১ | শ্রী নান্দৈবম সুন্দর সিংহ অপোকপা নান্দৈবম লৈবাকমচা সিংহ, লৈফম্না থাংতেক তেরা মখোং, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৯০০৩৩০০০০৫৬১৬ (টিএল) ৯০০৩২৫০০০৭৭৭১ (সিসি) নম্বোল ব্রাঞ্চ | ০৫-১২-২০২২ | তারিখ ১২-০৬-২০১৭ (টিএল) অমসুং ১২-০৬-২০১৮ (সিসি) ফাওবদা লুপা ১০,০০৪২৯/- (টিএল)+ লুপা ৯,০৯,৭২৪/- (সিসি) = ১৯,১০,১৫৩/- (লুপা লাক্ষ তরামাপন লিশিং তরাগা চাম্নগা য়াঙ্খৈ হুমদোই তমক)। তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইন্সিদেন্টেল চার্জশিং য়াওগনি। | দিদ নম্বর ২৭৫৫ তারিখ ০৪-৮-২০১৪, পাট্টা নম্বর ১৯৯/৬৮৫ (অনৌবা), ৯(অরিবা) সিএস দাগ নং. ৪৩৫ ওইবা একর .৩১ পাক চাওবা ঐচ ক্যু ইম্ফাল ৱেষ্ট সব রেজিষ্ট্রার ওফিসতা রেজিষ্টর তৌবা নান্দৈবম সুন্দর সিংহ, অপোকপা নান্দৈবম লৈবাকমচা সিংহ, ভিলেজ নং. ৯০ (থাংতেক), ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুরদা লৈবগী মিংদা লৈবা ইঙ্খোল ক্লাসকী লম। |

ওথোরাইজদ ওফিসার
মণিপুর রুরেল বেঙ্ক

HL/P/5403/14

# ফুদ সেক্যুরিটি অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংননবা কম্বোদিয়াদা দোল্লর মিলিয়ন ৬২.৯ পীরগনি

নোম পেন, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
কম্বোদিয়াগী ফুদ সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমসুং ইনক্লুসিব ইকনোমিক গ্রোঠ লাকহনবদা মতেং পাঙনবা মনিলাদা বেজ তৌবা এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এদিবি) না দোল্লর মিলিয়ন ৬২.৯গী ফাইনান্সিং পেকেজ ওইনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

এদিবিগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি গ্রেটর মেকোং সব রিজন (জিএমএস) ক্রোস-বোর্দর লাইভষ্টোক হেল্ঠ এন্দ ভেল্যু চেঞ্জ ইম্প্রুমেন্ট প্রোজেক্ট এদিবিগী কন্সিস্নেল রিছোর্সশিংদগী পীবা দোল্লর মিলিয়ন ৫০ গী লোন, এসিয়ন দিভলপমেন্ট ফন্দকী গ্রান্ট দোল্লর মিলিয়ন ১২ অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ ফন্দগী গ্রান্ট দোল্লর মিলিয়ন ০.৯ না ফাইনান্স তৌগনি।

এদিবিগী প্রিন্সিপাল ক্লাইমেট চেঞ্জ স্পেসিলিষ্ট ফোর সাউথ ইষ্ট এসিয়া শ্রীনিভাসন অঞ্চানা হায়খি, মদুদি লাইভষ্টোক সব সেক্টর অসি কম্বোদিয়াগী সস্টেনেবল রুরেল লাইভলিহুদস অমসুং ফুদ সেক্যুরিটিগীদমক য়াম্না মরু ওই। মসিনা নুপীশিং য়াওনা লৌউ শিংউগী থবক পীক্লা তৌজরিবা লৌমীশিংদা অমদি মেদিয়ম-সাইজকী এগ্রি বিজিনেসশিংদা খুদোংচাবা কয়া ওফর তৌরি।

প্রোজেক্ট অদুনা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা ইনভেষ্টমেন্টশিং হেনগৎহনবগা লোয়নননা ইন্সটিট্যুস্নেল অমদি টেক্নিকেল কেপাসিটিশিং ফগৎহন্দুনা অমদি পোলিসিশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমহন্নবগীদমক কেপিটেল সিটি নোমপেন, কাম্পোংজাম, ওদারমিনচে, প্রেবেঙ্ক, সিয়ম রিয়েপ অমসুং কেকো প্রোভিন্সশিংগী ইমুং ৪০,০০০ হকথেংননা কান্নবা ফঙহনগনি।